# রারী মচা

## ইমা কনানো

*এম ওংবী নিল্লকুমারী দেবী*

মীওইবগী মপোক তেল্লবা মতমগী খোঙচৎ অমগীদমক মপু মানা থাবীরকপনি কখোকপা, থাদোকপা, পীথোকপা পান্বা মীওইপোক্কী রারী মতেক অমনি রাখলগী পূক্নীংগী শাগৎখিবা পরিংনি।

থামন্বা অহীংদা পাইবা তন্দলনা মশা খঙদনা মঙাল পীরম্বনি। লেপ্পা লৈতনা চেন্থরীবা তুরেল খোঙনুংগী ঈচেলনা পুথরকখি কাউশিং কয়া। তাওথরকখি ঈরৈলক্ত পন্থুংফম খঙদনা মাগী থৌদারোইনি হায়বদি খঙই।

শুক্লা মল্লবা অহীংনি–মন্বদা শুক শুবগুম মম্লে হায়না অদুম থোকই।

নোংনা অতৎ–অখম লৈতনা চুরি। মায়কৈ তরা খাক লাওবগী খোঞ্জেলনি। নিল খোংলি মরক্তা নোংথাংনা থেক্লা–লৈনা জগোয় শাবগুম কুফেৎ–কাফেৎ পূন্নং–পূন্নং লংলি। মীৎ থকহল্লি।

হঙোইনা হরাওনা শৈশক্লী খোঞ্জেল তাম্বা শৈথেক্লী।

হুইনা অকি তুজুংনা খোংলি। য়েনবা লাবনা য়েখোং তোইরি

মরোল ইরোল খঙনদে অকি তুজুংবগীদমক্লা হরাওবগীদমক্লা?

অহীং অদুগী শহুন্নি।

মরক অসিদা মীওইবগী তাইবঙগী খোঙচৎসু হঙোইগী নুংঙাইবগী ঈশৈগা হুইগী অৱাবগী অকি তুজুংবগা চাংদম্নহল্লি ইন্নদুনা চৎমিন্নরি। হে মীওইবা নিংখায়গনি খন্দুবা য়ূমগী লৈতেংদা নিঙাইদনা তুন্নী হিপ্পী পোথারি। নোংলিক্কী গ্রেং–গ্রেং–তিক–তোক খোঞ্জেলনা শুম্বগুম তৌরি। কনা অমগীদি শুক্লা মল্লবা অতিয়াদগী তারকপা নোংলিক খুদিংমক অমত্তা চিখ্খদনা মহাক্কী ইমুংদা তারি।

মচি অমদা তুমিন্না তাশিন্দুনা হিপ্পা তুম্বগী মহুত্তা অহীং মিশেল খাংলি। মতোমতা মুরুম মুরুম শোল্লি তৌরিবসিবু করিনো ঐগুম্বগী ইমুং মশীং কয়া শুরমগনি।

অৱাবা খাংলি মীওইপোক্কী লানফমদা লানথেংনরি মায়োক্নরি। নুংশিৎনা হুন্নকপদা থন্না থক্কী ঈশিংনা মশাগী ঈপাক্তা তিনখিবগুম খনখি।

অকনবা নোংলৈ নুংশিত্তা উমংগী শেকপীসু মখোঙ কোচি কন্না চপশিল্লি। উশাদা য়োংজাওশিংনা মথাদা মচা নপশিল্লি। উরিৎনা মকোন্দা নুংঙাইনা মচা মশু শেন্নরি।

তুম্বা য়াদ্রবা অহীংনি মায়কৈ মাইওন খঙদনা অকি তুজুংলবা নোংহৌগী খাক লাওবগী খোঞ্জেল কল্লবা নুংশিৎকী হু–হু শহুম পূন্নমক মায়োক্নদুনা তুমিন্না ফমদুনা লৈরি অৱাবা খাংলি। খঞ্জখি শুক্লা মল্লবা অহীং অসিদা করি খন্দুনা লাও–খোংলিবা খঙবা ঙমহন্দে লুরবা পাউখোং অমগুম্লে। শক্তিনি থৌনানি উপায়নি।

রারীনি মপুনা ওইনা চেৎনা পুনশিল্লরবা মতুং মমানা শোল্লবী অমগী থম্মোয়দগী চেন্থরকপা অমুবা মচু য়াওদ্রবা অঙাংবা ঈখেংগী রারীনি জাতি অমনি কাংলূপ অমনি মীওইবা অৱাৎপা করিসু লৈত্রবা অদুবু নোং মংলবদি মমিনা মশাগী মতুং ইন্নবীরমদ্রে। পূন্নমক অরেম্বনি শাশিন্নবা ওইদবা মিনম্বা নমথাক তৌবীবা ঙাক্তা ওইরম্লে।

মোবাইল ফোনগী মতন্নি নমথাক তৌবীবা মোবাইলগী খোঙচৎনি ক্রিং, খিংলকখি পায়খৎলুই হল্লো–হল্লো হায়রুই খুন্নকখি ইমা ঐনি ...!

ওঃ নহাক ওইরে–ঙাইহাক অদুদা খলহল্লি নুংশিজরবা ইচানুপাগী খোঞ্জেলনি পাউহংবীরকপনি থম্মোয়দা থক থক নিকহনখি।

হংবীরক্লী ইমা নুংঙাইরিবরা করি চারি করি থক্লি কনাগা তিন্নরি কনাগা লৈমিন্নরি? কুইনা শাংনা ঙাংনবা য়াবা নত্তে মোবাইলগী খূত্থাংনি।

ইমানা খুমখি উম নুংঙাইরি চারি থক্লি, চৎলি, চেল্লি চোংলি। মীয়ামগী মীরক তিন্নবা ইমা কন্না হোৎনরি। শাথৌবনা শগোলগী খুর্জি কন্না পায়দুনা শগোল থক্তঃগী তাহৌদনবা কন্না হোৎনবগুম য়ান্না অখাং–কন্না হোৎনরি।

মতম খরদংদি হিংনিংলি চৎনিংলি য়েংনিংলি মীয়ামগী থৌদোক ৱাথোক কয়া ৱাহং কয়াগী পাউখুম পীনিংলি। জীবগী সেবা তৌনিংলি তোল্ল–তারবা লায়র–অনংগী মরুপ ওইনিংলি। মমা মপা লৈত্রবশিংবু মীত্তগী পি তাবা মখৈ নুংশিবা ঙমহনবীয়ু থৌনিজরি শকউদবগী মফমদা।

ফোন থমখ্রে হায়নিংবা তন্নিংবা ৱাকৎনিংবা পূন্নমক নংহৌদ্রে। অদুবু নীংশিংবা মানদি নীংশিংহল্লি খলহল্লি নখোয় করম তৌরি নাদ–য়েক্তনবা হোৎনৌ হকচাংবু ইশাবু হেনবা লৈতবনি হকচাং ফবনা অথোইবা লন্নী নখোয়গীদমক মতেং পীবা ঙমখিদ্রবা নমানি।

কায়নখিবা থাদোকখিবা লাপ্পখিতবা অঙকপা নত্তে মীওইবদা পীবীবা অরুম অয়াংগী দন্দীনি।

পিক্লিবা উচেক মচানা ময়া কাথোক্তুনা মপীনা চিঞাক পুরকপা ঙাইবগী মতম লোইখিবনি। শারেপ ফারক্লগা মাগী মাগী তোঙানবা মহুম শেমজখিবা তাইবঙগী চৎনবীনি মতমগী অহোংবনি করিসু রানিঙাই লৈতে কনানা ইমা কনানা ইপা পূন্নমক শেম্বীবা মপু মাগী মচা মনাই ঙাক্তনি।

রারৌনফমলৈতে হেন্না হরাওফমসু লৈতে অমম অঙান্না খঙবীবতনি। অদুবু পিক্লীবা যন্নাউ মচা যণবীনদি খক লাপথোকপা ঙমখিদে। মো–খোংদুনা কোইথি থিরি। তুরেলগী ঈচেলসু হনগৎনা কৈদৌনুংদা চেনখৎখিদে।

থেংনখিবা অৱা নুংঙাই করম নীংশিংলোই খনসিগে। তেল্লবা মতমগী খোঙচৎত্তা কল্লকপা য়েংথিনবা, তাশিন্নদবা উশিন্নদবা লমন শিংগনবা গুণ ময়াম অসি নৎলমদ্রবদি মীওইবসু লাইপোক্লি হায়রমগদবনি। ঐগীদমক সংসারনি ঐ লৈত্রবদি সংসার লৈত্রে। মীওইবা জাতীগী মৈশাদি শা ওল্লবা মীওইবগী রাখলনা ইংথহনবা কৈদৌনুংদা ঙল্লোই মীওইবা খুদিংমক নোংমদি শাগী লমচৎ থাদোকখিবা ওইসনু! ফাজিনবা ঙমহৌদনা লিথোকখ্রবা মপোক অমগী রারীনি। ফোৎলবা কান্থা অসি শুপচিন্দুনা তুম্লগে।

# শৈরেং

## ঐগী পুন্সি

*– ময়েংবম বিরজিত লুৱাং*

হায়নৈ মীয়ান্না
মীওইবগী মপোক তরেৎ,
লৌজেনে ঐহাক্তী
হন্দক্লা মরুওইনা।
পাংথোক্কেসু খল্লী,
থবক থৌরম কয়া
পুন্সি চেংজেলনা লোইদ্রিঙৈদা।
হোৎনরি ঙসিসু
হনবা লৈতনা
হোৎনখিগনী
লেমহৌরিবা পুন্সিগী খন্দুনা
অমসুং সমাজগী খন্দুনা
নীংহৌন্ন মরক্তা
রারক্লবা পুন্সিগী মীকুপ্তা
চৎখ্রসিরা লাইরৈবাক্তা
তিনখিসিরা মীওইলক্তা।
খল্লী ঐহাক্লা
রারবসু রানা
হোৎনখিনী হনবা লৈতনা
নিংখিবা রাখল
লেপখিবা খোঙফম
ফংলকখিনী খন্দুনা।
রাজরবসু লাইরবা মরন্না
খঞ্জরি রাখলদা পৃথীবিদা
ফাওখিবা মীয়াম
লাইরবা অৱাবা
মীশক ঙাক্তনী খন্দুনা।

## মৈতৈ মরু

*– ওক্রম রবীশঙ্কর সিংহ*

কদোমদনো ইমা
তুরোই ঙামলোইনরবা খোংথাংদা
কোক্তা লুকমাই পুদুনা
মখা ময়েকৈ পাংলিবা
ঙাইখোগবা ইমাও
মখল মথেল কয়াগী য়াংলবা
গাড়ী কয়া ফাওদুনা
মৈতৈ লৈবাক অসিদা লাক্লনি
তাদ্রবরনে ইমানা
করিগী নুংশুক নুংজানরিবা
ঙাইখোগবা ইমাও
নাশোন পিক্লা হায়বা নত্তে
ইমা ঐগীসে লাওরিবনি
পামজৈনে ঐনা মৈতৈ লৈবাক অসিদা
মৈতৈ মরু অমত্তং
শিরুই চীংগী লৈহাওদগী নত্তে
জুকো লিলীগী লৈকোন্দগী নত্তে
চীং মান চৎলুদ্রবসু
মাংসোক, ফুঙ্গা নাইগী
মোইরাং থোইবী শকফম নৎত্রবসু
পামজৈনে, ইমোইনু ইমাগী মরমচৎ।
থাজগে মৈতৈ লমপাক লমসিদা
মৈতৈ মরু অমতং
চাইজগে খুইথদনবা
লোক্তাক ইশাই মাপলগী
শেংলবা লাইজ ঈশিংনা
শাৎহলগে লোইজিং লোইয়া
ফলহলগে মশা মরেংনা চীংগী লমদমদা
শিজিন্নহনগে মেরা হৌ চোংবদা
শন্দোকহনগে ভারতকী অচৌবা সহর কয়াদা
তাকচগে মালেমদা আমেরিকাগী
য়াশিন্নবা মরু নত্তে
শগোল কাঙজেগী হৌরকফম
য়ুবী লাকপী শান্নফম
মৈতৈ লৈবাক্কি শেংলবা
মৈতৈ মরুনি হায়দুনা।

## প্রাইভেৎ লাইফ

*– থৌনাওজম খম্বা মৈতৈ*

পূন্সি মচা মচা কয়ানা শেমই
পূন্সি মপুম অমা।
য়াদে খূৎশেমগুম ওইহনবা
ঙমখিদে থৈদোকপা।
পন্থুংনা মাংওনরবা
ওইখি পূন্সি মচল।
পান্নুবা ঙাইহাক্কি অপেনবা
পুখি পুঙমদ্রবা পোৎলুম।
হাপচিনবিখি পোৎলুম।
পলেম ওইবি মাঙোন্দা
ইজৎ খোঙ্গাওনরবি মমোমগী।
থোকহল্লকখিবা নৎত্রা প্রাইভেৎ লাইফনা
শেৎন–খায়নবগী মৈচাক।

## থম্মোয়গী শম্বলনা খাদ্রিঙৈ

*– কে. সি. গীতা*

থম্মোয়গী শম্বলনা খাদ্রিঙৈ
নুংশিগী পননা হানখ্রবী
লম্লানবীনি খঙলবসু
কাওথোকপদি ঙমজদে
মীৎকুপ অমতসু থম্মোয়সিনা
উজনিংদুনা লাকচবনি
ইকায়না ননাক্তা থেংনবা মীৎকুপ্তা
করি ফোঙদোকচবদি ঙমজদে
লাংতক্নরবা থম্মোয়সিনা।
হে লমহেনলবা থম্মোয়
করিগী নুংশিরুরীবা
মপু পানলবী মাতবু
তমলোনে কাওথোকপা ইফমদগী।

## ঐদি

*– তোংব্রম শামুঙৌ*

হায়ররোই কনাদা ঐ
লীররোই কনাদা অমুক
কনাগী নাপ্পা য়ৌনা,
ঐগী পুন্সিগী রারী
অৱা নুংঙাই রারীশিং,
তাবিনবসু লৈররোই,
খঙবীনবসু য়াওররোই,
কনাগী মনাক নক্করোই,
কনাগী মফমদা য়েৎলরোই,
রাররোই ঐ কনাগীসু
খল্লরোই অমুক কনাগীসু,
নীংশিংবসু তম্লগে কাউবা
নুংশি খঙদবসু তম্লগে,
হিংলগে ইতোম্মতা অসুম্মক
ঐদি ঐ ওইনা।

## থম্বীরো

*– কান্তা মৈরালাকপম*

ইণ্ডিয়াগী প্রাসিদেন্টনা
মণিপুর থৌদোকশিং
রাথোকশিং য়ান্না লৈরে
মরম অদুনা মতম
চুপ্পগী ওইনা
মরিপুরদা (পি–আর)
প্রসিদেন্ট রুল থম্বীরো।

## এডমিসন ওপন

*– ইরোম মোবি*

মহৈরোইশিংনা নীংতন্না
তৌনিংবা ট্যুশন তৌবা য়ারে,
অদুগা স্কুলসিদনা
লাইরিক শুক্তম তম্লরোই
পরিক্ষা থাবসু য়ারনি
শান্ননিংবা মশান্নসু শান্নবা য়ারনি
অনৌবা মখলগী স্কুলনি।

মশা–মউ ফবা অচংবা
তুংগী য়ুম্বীরেল
পুথোক্লবগীদমক
অখন্ননা হাংজবনি
অনৌবা চহিনা লাকপসিদা।

অকক্নবা সীটনি
মিং চনবীহৌ।

## “মিকুপ খুদিং নিঙশিংনসি”

*– সাদাম রহেংচা*

মিকুপ খুদিং নিঙশিংনসি
থৌদোক খুদিং নিংশিংনসিকো,
নুংশিবদা নমথাক তৌনগুমসি,
থম্মোয়দা লৈবা রারি মখৈ
পূকচেল শেংনা ফোঙদোক্নসি
নঙগী ঐগী খায়নগুমসি,
থরায় অমত্তগী মিরেলগুম
অমত্তা ওইনা হিংমিন্নসি।।

পুন্সিগী তাঞ্জা অমদা
শোয়খিবা পূম্বা ঙাক্নসি
পূন্সিসিমগী কায়নগুমসি।।

পন্থুংদু তান্না চৎমিন্নসি,
মপোক সিমত্তগী নত্তনা
মপোক মপোক খুদিংদা।।

# তাবুনুংদগী

*(মীয়ামগী লুচিংবা অমদি কবি হীজম ইরাবোতনা বঙ্গালি ইশৈ ময়েক অমদা য়ুমফম ওইরগা মৈতৈ লোন্দা ইদুনা মতম অমদা মীয়ান্না পান্না শক্লখিবা তানখিবা ইশৈময়েক ‘‘থাঙ্গোল অদু ময়া থাঙু’’ হায়বা অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

## থাঙ্গোল অদু ময়া থাঙু

থাঙ্গোল অদু ময়া থাঙু থৌনা
হে লৌউবা
থাঙ্গোল অদু ময়া থাঙু থৌনা
লৌখাও মতম ওইরগা
খাওনি সনা ফৌ
মীনাই য়োহিলং কোকনি
সনা লৈবাক ইমাগী
ময়া থাঙু থাঙু তোইনা, তোইনা থাঙু
য়েঙু ভাই জোতোন তৌ, ময়া তাখিনি
একতাগী চিনগী মীনা পাঙ্গল কনখরে
চহি নিপাল জপানবু
মকোক মমৈ খংহন্দে
ওইশি ঙসি অমতা হিন্দু মুসলমাল
মিকুপতা স্বারাজ ফংনি
সনা লৈপাক ইমাগী
থাঙ্গোল অদু ময়া থাঙু থৌনা।

*হীজম ইরাবত*

# মণিপুরী পাম্থৈ–পাউরৌ, পাউতাক

**১০০. ইজ্জৎ ঙাক্লবা হোৎনবদা চাকখুম মৈ মুৎপা**
– ইজ্জৎকী হোৎনরিঙৈদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবা।

**১০১. ইতু ইচা লৌরি য়ুম্ফম কাদগী হকচিনবা ইশানি।**
– ইশাদগী হেনবা লৈতে।

**১০২. ইতাউ তাউবা**
– পূক্নীং চংদবা, পূক্নীং লূপ্তবা।

**১০৩. ইতাও ঐগী মীৎসে নঙোন্দা পাল্লন্নবদি খঙগদবনি।**
– ঐনা খল্লিবসি নঙসু খল্লন্নবদি পেনগদবনি।

**১০৪. ইতিল্লবা তুরেলগী ঈশিং পূনশিল্লগা চেনমিন্নে ইঙৌ ইমু খাইবুঙনদে।**
– নকশিন্নরদি নুংশিনরকই।

**১০৫. ইতিং–তিংবা**
– অরোন অথুপ লৈতবা।

**১০৬. ইতিং–তিংনা হায়দোকপা**
– লৌথুপ লৌকোই লৈতনা হায়বা।

**১০৭. ইতৌ–তৌদবদগী খরা তৌবনা ফৈ।**
– খরা তৌরবদি খজিক্তা ওইরবসু কান্নে।

**১০৮. ইতীক ইপা চাদবা**
– ইশাগা চানদবা, ঙল্লোইদবা থবক।

**১০৯. ইথক থোংবা তিন্নৌ, ইখা থাবা তিন্নগনু, চান্নৌ।**
– লৌশিং থোক্কদবা মগুণ লৈবা মী তিন্নবনা রাখল মপূঙ ফাদবা তিন্নবদগী হেন্না ফৈ।

**১১০. ইথক ইরাংদা তাউবা**
– মপাম্ভোংগী হরাও–কুম্মৈদা পূক্নীং লূপ্পা।

**১১২. ইথিন চংবা**
– থৌইনশিন য়াওবা।

***খোমজিনবাঃ***
***ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

# চানক্য নিতি

– শা–ঙা চাব মী, য়ু থকপা মী, অপঙবা, লাইরিক হৈতবা অমসুং মীগী শক্তমদি ওইবা শাশিংগী অরুম্বনা পৃথিবীবু খাঙবা ঙমদনা রাহল্লি।

– চানবা লৈতবা লৈবাক, মন্ত্র থীদবা ব্রাহ্মণ পূজক, দান তৌনীংদবা যজমান (থৌবু), অদুগুম্বা যজ্ঞদুগা মান্নবা য়েক্লবা অমা লৈত্রে।

– মুক্তি পাম্বনা বিষয়বু হূগুম খন্না থাদোক্কনি, ঙাকপিবা, চমজবা থৌজানবীবা, শেংবা, অচুম্ববু অমৃতগুম লৌগনি।

– অতোপ্পগী অরোনবা অথূপ্পবু ঙাঙলিবা অতোনবা মীদু লৈশৌনা মাঙহল্লবা লিনগুম মাঙজরবনি।

– সনাগী মনম লৈতে, চুগী মহৈ য়ান্দে, চন্দন মপাল শাত্তে, মহৈ হৈবনা ঈনাক খুন্দে, নিংথৌনা পুন্সি শাংদে। জগৎ শেম্বীবা মঙোন্দা তাকপিনবা য়াওদমাল্লে।

– হিদাক পূন্নমক্তগী অমৃতনা অথোইবনি, মপানগী নুংঙাইবা পূম্বদগী চীঞ্জাক্লা পীবা নুংঙাইবনা অথোইবনি, ইন্দ্রিয় পূন্নমক্তগী মীৎনা অথোইবনি, হকচাং কায়াৎ পূম্বদগী কোক্লা অথোইবনি।

– পাউ পুবনা অতিয়াদা পাইদে, অহাঙবদা রারী শাবা য়াদে। হান্না ঙাঙন শানদনা তিন্নবা লৈতে। নুমিৎ থাগী গুহনবু হান্না হায়বা ঙল্লিবা ব্রাহ্মণদুবু পণ্ডিৎ নত্তে করম হায়গনি।

– মহৈ তল্লিবা মী, মীনাই, লংফৈ চৎপা, লান্নবা মী, কিরবা মী, লনগৈ পানবা অমসুং চৌকিদার হায়রিবা তরেৎ অসিদি তুন্নম্বদা হৌদোক্কদবনি।

– লিন, নিংথৌ, কৈ, খোইবী নিংথৌ, অঙাং মচা, মীগী হূয় অমসুং অপঙবা মী–মখোয় তরেৎ অসিদি তুন্নম্বদা হৌদোক্লোইদবনি।

– লম্থুমগীদমক বেদ তল্লিবা অদুগা শুদ্রগী চাক চারবা ব্রাহ্মণদু করি কান্ননি, মহূ য়াওদ্রবা লিনগুম্মী।

– মহাক্লা শাউরকপদা অকিবা পীদ্রবা, পেল্লগসু মনা মথুম পীরক্ত্রবা মহাক অদু কান্নদ্রবনি। পেনবীরগা কনবীদ্রবা মীদুনা শাউরক্লগা করি তৌগদৌরিবা?

– মহূ য়াওদ্রবা ফাওবদসু লিন্না মকোক থা ঙঁত্তুনা ফনদোকই। উৎলিবা অকিবা শক্তমদুনা অদুম য়ারে, মীনা হূ য়াওবা য়াওদবা খঙবা নত্তে।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

# মণিপুরি পাউখোং

১০৬. চহি মরীগী মনুংদা অমুক্তা ওইবা–
১০৭. মপূন্সি তংখাই চনবদা চাওবা মপূং ফাবা–
১০৮. মমা নমথীবীনা মচা রাধিকা পোকপা–
১০৯. মশাগী অওবা মশানা অমুক চাশনজবা–
১১০. অমদগী অমা চৎলগা অনী তাবা–

**পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমাই অসিদা ফোঙদোকচগনি।**

**মমাঙ নোংমাইজিংগী (১৭–১২–২০১৭) পাউখোঙ ফোঙবা**

১০১. মোমবর্তি চাকপা
১০২. নুমিৎ–থা
১০৩. য়োৎশবী
১০৪. কাংথোল
১০৫. য়োংচাক

# কান্ন–রানি খঙজীনবিয়ু

* **খোঙউপ মরীগী মতোন মফোল থোরক্লবদি?**

– ঐখোয়না তোংনরিবা খোঙউপকী মরী মতোন্দা করিগুম্বা মওং খরদগী মফোন থোরক্লবদি মরী ফাজীন্নবগীদমক্তা মখুন্দা থিন্দোক–থিঞ্জিন তৌবদা য়ান্না নুংঙাইতে। অদুগুম্বা নুংঙাইতবা অদু কোকহন্নবগীদমক্তি মফোল থোক্লিবা মতোনগী শরূক অদু ককথৎপিখ্রো, অদুগা লৈহৌরিবা মতোনগী শরূক অদু নুপীগী খূজিন শঙনবা (নেল পোলিস) চানবা মচু অমদা ঙাইহাক্তং লূপশীন্দুনা থম্বিরগা লৌথোক্লবা মতুংদা নীংথিনা কংহনবিয়ু। মফোল থোক্লম্বা খোঙউপ মরীগী মতোন অদু অহনবগুম অমুক হন্না শিজীন্নবা য়ারগনি।

* **খোঙ–খূত্তা চঙবা (য়ুবা) তুম ইরায়–লায়না হন্দোকপিগে–শত্তোকপিগে হায়রবদি?**

– হকচাঙগী খোঙ–খূৎ নৎত্রগা মফম অমদা করিগুম্বা তুম য়ূখ্রবদি (চঙখ্রবদি), তুম চঙখ্রিবা মফম অদুদা ‘বেকিং পাউদর’ খজীকখক্তং ঈশিং চোৎলগা তৈশীনবিয়ু, চঙখ্রিবা তুম অদু ইরায়–লায়না উবা ফংদুনা পাফোইগী মতেংনা শৎ–শত্তোকপিবা য়ারগনি।

* **খৌনাউ নারবদি?**

– খৌনাউ নারবদি, অতৈ হীদাক–লাংথক শিজীন্নবিদ্রিঙৈ খোইহী চামচ অমত্তং চাদুনা য়েংবিখো।

* **ক্ষির হাউনা হৌবিগে হায়রবদি?**

– য়ূমদা ক্ষির তোয়না হৌবিবরা? (রাফম অসি উসব–মেলাগী চাকথোংবা বুজারি ওইবিরিবশিংনসু খঙজীনবিবদা কান্নগনি)। ক্ষির তোয়না হৌবিগদবা ওইরবদি হলুরা হৌবগী সুজি খরা থম্বিবা কাউবিগনু। হৌবিরিবা ক্ষিরনা মহী লাঙথোকখ্রবদি সুজি খরা হাপচীনবিরগা ওৎখায়বিয়ু, ক্ষির মহী লাঙঙরোই।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ‘‘কান্ন রানি খঙজিনবিয়ু’’ দগী লৌথোকচবা)*